হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, মার্চ ০৩, ২০১৭, ইম্ফাল
৪০ শুবা চহী, ৩২৫ শুবা মশীং

# ঐখোয় পংথরগুমসি

## প্রোক্সি ভোটর থিংবদা মীয়াম্না থৌদাং লৌহন্নিংই

**ফাগী** ওই করিওই নৎত্রগা নোকফদেদা পনখিবরা হায়নবা অমা লৈখি - 'মীখল ময়াদা লৈখিদবা অহল অমগী মহুৎ মরেং শিন্দুনা তৌবা ঙম্বা মীওই অমনা নমদুনা অহল অদুগী ভোট থাদখি। মীখল অদুদা কনা কনা ভোট থাদবা ৰাৎহৌবগে হায়না লোইরমদাইদা এজেন্টশিংনা পানরকপদা লৈখিদ্রবা অহল অদুগী ভোট কনাগুম্বা অমনা থাদখ্রে হায়বা খঙনরকখি। তাঞ্জাদুদা অহল অদুগী মচানুপানা মপাগী ভোট থাদখ্রে হায়বা পাউ নিনফুং-নিনফুং তাবদা ঐগী অপোকপা ভোট থাদবা লাক্লম্বোইরে হায়দুনা কপ্লমই।' লৈঙাক্কী থবক তৌদুনা মীখলগী পোষ্টেল বেলোট লৌখ্রবা মীওই ফাওবা ময়াম হুপচিন্দুনা নমদুনা ভোট থাদবগী থৌদোক য়াওই। মসিগীসু মথক্তা পোল্লিং ষ্টেসন অমদা ভোট থাদবগী চাং অসি কৈদৌঙৈদসু ওইথোক্লোইদবা মওংদা চাদা ১০০ থাদবা ফাওবা য়াওখ্রে। অঙকপনি মণিপুরদা চথনরিবা মীখলগী মওং-মতৌ অসিদি। মীয়ামসু মীখলনিবু হায়রবদি য়াওশঙ কুম্মৈগুম্না থৰায় য়াওই। মফম খরদদি নুমিদাংদা শেল লাকখিগদৌরিবনি হায়দুনা অহিংদা মমাঙথোঙ হাংদোক্লগা তুমই হায়নরিবনি। ইমুং অমগী নুপা অমা থোরক্লগা ঐখোয়গী ইমুংগী ভোটর তরেৎ লৈবনি, মখোয় ভোট থাদবা থোরকপা শংলরোই, মহাক্না লোইনমক থাদরম্লগে হায়না প্রিসাইদিং ওফিসরদা কংয়েৎ য়েৎপা য়াওরিবনি। অসিগম্বা ফীভম অসি চাউখৎপা খুন্নাই অমগী লীচৎ নত্তে। মীখলগী থবক তৌরিবা প্রিসাইদিং ওফিসর অমদি অতৈ পার্সনেলশিংসু লৈকায় অমদা চৎলগা মীখলগী থবক তৌবনা কিবোই-লাকপোই এজেন্ট খরদুনা হায়বদু তারগা মনা-মনিন নাইহন্দনা মীখলসিদা লোইখ্রগদি হায়দুনা থবক তৌই। সিক্যুরিটি ফোর্সসু অদুম মঙাই মীয়ামগা মুক্নবা তনবদগী য়ান-য়ানবা মওংদা থবক তৌরকপদগী মীখলদা পামদবা থৌদোক কয়ামরুম থোরকই। অসিগুম্বা থৌওং অসিনা দিমোক্রেসিগী ফেষ্টিবেল ওইরিবা ইলেক্সন অসি ফ্রী এন্দ ফেয়র ওইরে হায়না লৌবা ঙমদে অমসুং চাং য়াম্না ৰাংনা ভোট থাদরিবসি তশেংনমক ভোটর পুন্নমক থোরক্লগা থাদখিবরা হায়বসি হংনিংঙাই ওইবা ৱাহং অমনি।

তরামাথোইশুবা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখল হয়েং পাঙথোক্লগনি। মীখল অসি অয়ুক্কী পুং ৭ তগী নুংথিলগী পুং ৩ ফাওবা চথগনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা মাঙজৌননা লাউথোকখিবা লৈখ্রে। অহানবা তাঙ্কক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী ভোট খোম্বসু লোইখ্রে। মীখল অসিদা নুপী মীরেপ ৭ য়াওনা পুন্না মীরেপ ১৬৮ লম্বা তৌনগনি। পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিগী মণিপুরগী মথং চহী ৫ গী মরাইবক লেপকদৌরিবনি। মীয়াম্না খল্লকপা মীহুৎ অদুনা মণিপুরগী লৈঙাক পুবগী থৌদাং লৌগদৌরিবনি। মরম অদুনা মীয়ামগীদমক থবক তৌরক্কদবা, মশাগী ওইজবা থাদোক্তুনা মীয়ামগী থৌগল তৌগদবা অমসুং থৌনা ফবা, লুচিংবা অমমম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি খুদিংমক্তগী থাগৎলকপা মথৌ তাই। মদু নত্তনা ঐখোয়গী লৈকায়গী মীরেপনি, ইচিন-ইনাওনি, মরী-মতানি নৎত্রগা শাগৈ-নাতৈনি হায়বরোমদা য়েংলগা ভোট থাদবা চুন্লোই। অমরোমদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা মীরেপ ওইরিবশিং অমফাওবা পামদে হায়দুনা ভোট থাদবা থোক্লক্লোইদবা মীওইসু য়াওরি। তশেংবদি মীওই খুদিংমক ভোট থাদবা থোরক্কদবনি, করিগুম্বা ভোট থাদনিংদবা মীরেপ ঙাক্তা ঙাইরবসু নোটাদা ওইনা থাদরম্বদা লোগী ওইনা কান্নবা লৈ। ভোট থাদদবা মীওই অমনা লৈঙাক্লা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়না নৈনবা চুমদে। মসিগীসু মথক্তা মহাক্লা করিগুম্বা ৰাফম অমগীদমক লৈঙাক্কী মথক্তা কোর্টতা ৰাকৎকে হায়বদা ভোট থাদদ্রবদি ৰাকৎপগী খুদোংচাবা পীফম থোক্তে হায়বা কোর্টকী রুলিং অমসু লৈখ্রে। মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৰাফমদি ভোটরশিংনা অকি-তুজুংবা য়াওদনা মশা-মশাগী চহী ৫ গী ফংফম থোকপশিং অদু লৌরগা মীয়ামগী মীহুৎ খনবদা শরুক য়াবীয়ু। মীখলদা থবক তৌরিবা পার্সনেলশিং অমসুং মীখলগী এজেন্টশিংনা মশা লৈখিদ্রবা মীওইগী নৎত্রগা ভোট থাদবা থোরক্তবা ভোটরশিংগী মহুৎ শিল্লগা ভোট থাদবা তৌবীগনু। প্রোক্সি ভোটরনা মীয়ামগী চহী ৫ গী মরাইবক লেপ্পদা অপনবা থোকহল্লোইদবনি। ভোট থাদবা থোরক্তবশিংগী মহুৎ শিন্দনা অদুমক হাংহল্লবদি মীওই কয়ানা মখোয়গী লুচিংবা খনখিবগে হায়বগী চপ চাবা মশিং ফংবা ঙমগনি। মীখল লোইশিল্লকপদা ভোট থাদহৌদবা মশিংদু য়েন্থোক্লরগা এজেন্টশিংনা ভোট থাদবগী থৌওং অদুসু পোল্লিং পার্সনেলশিংনা থিংবীয়ু। পোল্লিং ঙাক শেল্লিবা ফোর্সশিংনা ভোট থাদবা লাকপা মীওই খুদিংমক্কী মখুৎ খুদোম্বীদা কোক্তবা অমুবা মচু নম্বা মীওইরা হায়বদু য়েংলগা মূক নম্লম্লবদি ভোট থাদবা চঙহনবীগনু হায়জনিংই।

### ••• এডিটরদা থারকপা চিঠি •••

## ঐখোয়না কনাদা হক শিন্নগনি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

**হৌজিক** হৌজিক ঐখোয়গী মাঙদা তাদুনা লৈরে শুকশোয় শোয়দনা পাঙথোক্লগদবা ১১ শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লি ইলেক্সন ২০১৭, চহী মঙাগী লৈঙাক। ঐখোয়না কনাদা করম্বা পার্টিদা, করম্বা মীশক্তা ভোট পীগনি। মীচম মীয়াম ঐখোয় পূম্বনা য়াম্না মুন্না ৰাখল তামিন্ননবা, য়াম্না লুরবা তাঞ্জা অদো মাঙদা তাদুনা লৈরে, হয়েংদা ঙাইরে। ঐখোয় কদোমদা চৎকনি, কনাদা শিন্নগনি দিমোক্রেসিনা পীরিবা ঐখোয়গী হেনফদ্রবা ভোটিং রাইট।

ঙসি ঙসিমক ওইরিবা মণিপুরগী ফীভম, লেল্লিবা পুন্সি মহিং করম্বা লৈবাক্তা থেংনবগে? হিংবদা ৰারবা ফীভম কয়া ঐখোয় মায়োক্লদুনতা লাক্লি লিশাং শিৎনা। ঐখোয় মনা মনিল নাইদনা খাঙলি। ঐখোয়গী শীংলিবু মুন্না খঙদুনা খুদোংচাবা লৌবা ঙম্বা মীওইশিংনা হুমদুনা পুরি ঐখোয়বু। হায়নবা লৈ পোলিটিক্সতা অরোইবা নাইদে, মরুপ লৈতে, মপা-মচা, মচিন-মনাও, শাগৈ-নাতৈ খঙনদে। পোলিটিক্সতা চঙগে হায়রবদি মশাগীতা খনবা ওইদ-পাদ তৌবদা ইকায়বা খঙদবা লৈবাক্কী অরুবা থৌদোক ৰাথোক লাকপদা মমিৎ উইশিন্নবা, মনা তাশিন্নদবা, য়াইতোং খমদোংবা মীওইশিংতনা মায়পাকপা ঙমই অমসুং মখোয়না লৈবা পোলিটিকেল পার্টিনা মপাঙ্গল কল্লি হায়বসি ঐখোয় পূম্বনা খঙনরবা ৰাফমনি।

খুন্নাই অমা হায়বসি মকোক থোংবা লুচিংবা মীওই মথৌ তাই। মরম অদুনা মীকোক থোংবা লমজিংবা অমা খনবদা মাগী মতুং ইন্দুনা চৎলিবা অমদি লমজিংগদৌরিবা মীওইদুগী ৰাখল ঐখোয়না মুন্না খন্থবা চঙই। তুংগী খন্থহৌদবা ৰাখলদা লুপ্তুনা লৈরুবনা ঙসিদি ইরমদম মণিপুর ৰারে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। থা মরি শুজিল্লক্লবা ইকনমিক ব্লোকেদ লোইশিন্নবা হোৎনবগী ৰাফম্না নাকন্দা থমখ্রগা মাগী মাগী কেন্দ্রগী মীওইশিংদা কোক থাদনরি, শুক্মৎলাং থাক্লি, চোঙথোক্লরি, চোঙশিন্নরি অঙম অঙম হুন্নরি, থাগৎনরি। পূন্নমক অসিবু খঙশিন্নদবা, উশিন্নদবা তুমিন্না লৈশিনবগী হৈনবী কয়ামসু লৈতবা নত্তে অদুবু হৌজিক্তি ঐখোয়গী চহী মঙাগী মণিপুরগী তুংগী লাইবক লেপচনবগী পুংফম অদো য়ৌরক্লে। অফবা মতিক চাবা লৈঙাক পায়গদবা কনানো ঐখোয় থিসি, খনসি। খোঙফম অমা শোয়বদা ইশাগী ইখোংদা থাংনা ইথন্তা য়ানশিনজবা তাহনগুমসি। তুংদা লাক্কদবা মীরোলশিংগীদমক ঐখোয় কনাদা শিন্নসিগে, ঐ ঐগী ইশাগী ভোট থাদবগী রাইট।

*অদোমগী -ইরেংবম বীলাসিনি, সোইবম লৈকায়*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৫

১। ''...ইচাই লমন শিংলমগে/লিলা সিদং লোইরমগে'' পরেংশিংসি 'খম্ব-থোইবী শৈরেং' দগী লৌথোকপনি। কনানা হায়খিবা ৰাহৈশিংনো?

২। ''নোংঙাল্লমদাইদা/নুপী অমনা কপ্পা তায়/হিক্লা তেংথারদুনা/পোম্বী হঞ্জিল্লক্লোবা।'' ৰাহৈশিংসি কবি কনানা হায়বনো?

৩। 'রিক্লো অমসুং নোংমৈ' অইবী কনানা ইবনো?

৪। 'Imphal and its Climatic Condition' হায়না পাচা মীতৈগী নোভেলবু ইংরাজিদা হন্দোকপদু কনানো?

৫। 'ঈগী খোঙ্গুল লীবা' লমকোয় ৰারী অসিগী অইবদু কনানো?

ৰাহংশিং অসিগী পাউখুম মার্চ ৩, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ।

ৰাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা খুদোলপোৎ পীজগনি।

# মীয়ামগী ৰাহং ঃ কোংগ্রেসনা বি জে পিদা, বি জে পিনা কোংগ্রেসতা

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৰাং**

***এসেমব্লিগী*** ভোট থাদগদবা নুমিৎ নীনিদা ঙাইরে। ৰাখল মুন্না খল্লগা থাদবা য়ারে। করম্বা মীরেপ্তা নৎত্রগা করম্বা পার্টিনা হেন্না মীয়ামগী থবক তৌরক্কদগে হায়বদু মুন্না য়েংলগা ভোট থাদবা য়ারে। অদুবু য়েংলু-য়েংলুবদা খনফমদি খঙদবনি। মীয়ামগী ৰাখল চরাংনৈ হৌজিকসে। কোংগ্রেস পার্টিনা হায়রি বি জে পিদা ইম্ফাল জিরিবাম লম্বী নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা শেমগনি হায়বদু চহী অনী মখায় শুরবফাওবা শেমদে। ওইদ-পাদবা ঙাঙবা পার্টিনি হায়দুনা মরাল শিরি। মসিনা মীয়াম্বু বি জে পিদা ভোট থাদদনবা হোৎনরিবনি। অমরোমদা অমুক বি জে পিনসু কোংগ্রেস পার্টিদা মরাল শিরি মদুদি কুমজা ২০১২ তা তৌখিবা এসেমব্লি মীখলদা শকখিবা ৰাশক হায়বদি থক্লবা টৌটি ঈশিং যূমথোং খুদিং মরাং কায়না ফংহনগনি হায়খিবদু চহী মঙা লৈঙাকখ্রবসু ঙসি ফাওবা পাঙথোকপা ঙমদ্রি। হন্দক্কী মীখলগী মেনিফেষ্টোদা হাপ্লি মদুদি কুমজা ২০২২ ফাওবগী মনুংদা টৌটি ঈশিং ফংহনগনি হায়দুনা। মসিদবু করম্না মীয়াম্না অফবা মীহুৎ নৎত্রগা পার্টি খন্দুনা ভোট থাদনীংবা পোক্কদৌরিবনো?

মণিপুরদা বি জে পিদি অমুক্তসু লৈঙাক্ত্রিবনিনা মখোয়গী মগুণ খঙদ্রি। লৈঙাল্লগা খঙগদবনি মীয়ামগী থবক তৌই নৎত্রগা তৌদে হায়বদু। মরম অদুনা ঙসি ফাওবদি মীয়াম্না খঙনদ্রি নৎত্রগা উনদ্রি শকখিবা ৰাশক থবক ওইনা পাঙথোকখ্রে নৎত্রগা পাঙথোক্তে হায়বদু। অমরোমদা কোংগ্রেস পার্টিদি মণিপুরদা কয়ারক হন্না লৈঙাকখ্রে। অদুগা ঙসিসু লিশাং শিৎনা চহী ১৫ লৈঙাক্লি। মরম অদুনা মীখলগী মতমদা মীয়ামগীদমক তৌগনি হায়দুনা ৰাশকখিবশিং অদু কয়া য়াম্না থবক্তা ওনথোকখ্রে হায়বদু য়েংবা য়াই। তশেংনা হায়রবদি ৰাশকখ্রগা থবক ওইনা পাঙথোক্তবগী চাংদি বি জে পিদগী কোংগ্রেস পার্টিনা হেল্লি। মীৰাসু মখোয়না হেন্না তাফম থোকই। মসিদা শাউফমসু থোক্তে মখোয়না লৈঙাকপা হায়বদু ওইরবনিনা। কোংগ্রেস মীয়ামগী থবক তৌদে হায়বদি নত্তে, তৌই মীয়ামগী থবক কয়া। অদুবু মখোয়না লেপ্তুনা লৈঙাল্লক্লিবা চহী অসি ১৫ নি হায়বদি এসেমব্লিগী চহী ৫ গী টার্ম অহুম্লক্লি। কয়াদা শাংখ্রবা মতমনো মুন্না খন্থরুরবদি। শাংখ্রবা চহী ১৫ লৈঙাল্লকপসিদা মরা চেৎপা গভর্ণমেন্ট হায়বদু ওইখি। এসেমব্লিগী সিট ৬০ লৈবগী মনুংদা কোংগ্রেসনা সিট ৪০ গী মথক্তা ফংদুনা লৈঙাকখিবা ঙাক্তা ওইবনা মরা চেৎপা গভর্ণমেন্ট থম্বা ঙমখি। মসিনা তাকপদি মরা চেৎপা গভর্ণমেন্ট অমা হায়বদুনি। মরা চেৎপা গভর্ণমেন্ট অমা লৈরবদি মীয়ামগী থবক কয়া তৌবদা অয়েৎ অপন লৈতে। শম্না হায়রবদা কোংগ্রেসকী চহী ১৫ পাল্লকপসিদা গভর্ণমেন্ট থুগায়নবা হোৎনখিবা লৈতে। অদুবু মখোয় মনুংগী মরক্তা চীফ মিনিষ্টর মুন্নরকপগী লাল অমদি মিনিষ্টর শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবগী ঈরাংদি লৈখি। চহী ১৫ কোংগ্রেসনা লৈঙাল্লকপা মতমসিদা সেন্তরদসু কোংগ্রেস পার্টিনা চহী ১২ হেন্না লৈঙাকখি। সেন্তরদসু অদুগা মণিপুরদসু কোংগ্রেস পার্টিনা লৈঙাকখিবনা য়াম্না মরা চেৎপা গভর্ণমেন্ট হাবয়দু ওইখি অমদি থবক্তা শীজিন্নগদবা ফন্দগী অৰাৎপা লৈখিদে। লৈঙাকসু মরা চেৎলবা অদুগা ফন্দসু অদুমক মরাং কায়রবসু মীয়াম্না পাম্নবা চাওখৎ থৌরাংগী থবক অদু য়ৌবমক্তি ঙমদ্রি।

মৈগী ফীভমদি হৌখিবা চহী অমরোমগী মমাঙদগী য়াম্না ফগৎলে। হৌখিবা চহী ১৩/১৪ রোমগী মমাঙদদি অসুক্কী মতিক মৈগী ফীভম ফৎখিদে। মদুসু হৌখিবা চহী ১০ মুক্কী মমাঙদা ঙন্না মৈগী ফীভম ফগৎনবা য়ারম্বনি। বি জে পি য়াওনা অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংদি লৈঙাকপদা য়াওদ্রিবা অমদি লৈঙাকপদা ইয়াও য়াওদ্রিবনা থোয়দোক্লা মরাল শিরুবা য়াদ্রি। হৌখিবা চহী ৭/৮ মুক্কি মমাঙদা সিৰেজ প্রোজেক্টনা ইম্ফাল মনুংগী লম্বী কয়া তৌথোক্তুনা প্রোজেক্ট অসি পায়খৎখি। ঙসিসু থবক অসি লোইশিন্দুনা মীয়ামদা প্রোজেক্ট অসিগী কান্নবা পীবা ঙমদ্রি। ঙসিসু ইম্ফাল মনুংগী লম্বী খরা তৌখায়দুনা প্রোজেক্ট অসি শেমজিন-শাজিনবগী থবক কন্না চথুরি। স্কুলশিংগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমদ্রি অমদি অঙাংশিং মহৈ তম্বগী চাং য়াম্না হন্থরি। অতৈ মীয়ামগী থবক কয়াসু তৌই। মেদিকেল কোলেজ লিংখৎখি। কলচরেল য়ুনিভর্সিটি, টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটি লিংখৎলি। ফ্লাই ওভর ব্রিদজ শাই, অনৌবা নুপী কৈথেল অহুম শাখ্রে অদুগা অমসু শারি। লম্বী থোংগী ফীভম হৌখিবা চহী তরামঙাসিদা য়াম্না ফগৎলে। অদুবু মীয়াম্নদি হেক্তা হংনরকই হৌখিবা চহী ১৫ সিদা পুরক্লিবা অহোংবসিদগী য়াম্না হেন্না অহোংবা পুরক্লম্বা য়াৱা হায়বসিনি। মসিদি মীয়ামগী পূক্নিংগী ৰানি। কনানবু থিংবা ঙম্লগনি। মীয়াম হায়বসিদি ভোট থাদগদবা ভোটর হায়বদুনি। মখোয়গী থবক তৌবিরক্কদবা মীহুৎ খঞ্জগদৌরিবনি। মরম অদুনা মশাগী অপাম্বা মীহুৎ খঞ্জগদৌরিবনিনা মীহুৎশিংনা তৌখিবা থবক্কী মওং মতৌ অদু হঙ্গৎনা য়েংলকপা তাবনি। মসিদি তাইবঙ মীওইবগী লিচৎ হায়বদুনি। মালেমগী মফম পূন্নমক্তা তৌনরিবনি।

শেঞ্জা থুমজাগী ৰাথোক অমফাওবা লৈতবা ত্রিপুরাগী মানিক সরকারনা লুচিংবা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী লৈঙাক অসিসু লেপ্তুনা লৈঙাল্লকপা চহী ১৫ ফাজিল্লক্কদৌরি। মখোয়না মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎলি। মীয়াম্নসু অপেনবা অদুমক ফাওনৈ। মখোয়সু লালহৌবগী ঈরাং চাউনা মায়োক্লরম্লবসু ঙসিদি মদুগী ঈরাংদু লোইশিন্দুনা ঈং-তপ্পা ষ্টেট হায়বদু ওইরে। চানবা ঙা অতেকপদা মশা য়াম্না তেক্লা উননবা হায়দুনা কেমিকেল মখল অমা শীজিন্নৈ হায়বা ৰাফম কয়া হায়নরকপা লৈরে। মসিগী মতাংদা ত্রিপুরা গভর্ণমেন্ট অসিনা ঙা কয়াদা চাংয়েং তৌদুনা মরাল লৈবশিং ফাগৎনবা থৌরাং কয়া য়াম্না থুনা লৌখৎলি। শম্না হায়রবদা মীয়ামদা শোক্কদবা থবক কয়া খুৎলৈ থুনা লৌখৎপগী থবক্লি। লৈঙাকপা অমা লৈরি হায়বগী খুদম অদু উৎপনি। মীয়াম্না হায়নরিবনি, ত্রিপুরাগী মানিক সরকারসি ফৈ হায়দুনা। অদুবু নেসনল পার্টি কয়া ত্রিপুরাদা মপাঙ্গল কনখৎলক্লি। মদুগী মনুংদা বি জে পিসু অমনি। মতম খরগী মমাঙদা তৃণমুল কোংগ্রেস পার্টিনা মপাঙ্গল কন্না লৈরম্বনি। মতাং অসিদা পঞ্জনীংলিবা ৰাফমদি মণিপুরদা বি জে পি অমদি অতৈ নেসনল পার্টি কয়ানা মপাঙ্গল য়াম্না কনখৎলকপদা থোয়দোক্লা ঙক্লিংঙাই ওইদে। মীয়ামসে দিল্লি অমদি অতৈ ষ্টেটশিংদা য়েংলুরগা মদুগা মান্নবা অহোংবা অমা পাম্নরকই। মদুগীসু মথক্তা শাংলবা চহী ১৫ করিগুম্বা পোৎশক অমা নুমিৎ খুদিংগী উদুনতা লৈবা, তাদুনতা লৈরবা ঈশৈ অমা নুমিৎ খুদিংগী তাদুনতা লৈবসি তাইবঙ মীওইবা অমা ওইনা পাম্নরক্তে। মসিদি অমেরিকাদসুনি অদুগা মালেমগী লৈবাক কয়াদসুনি। মীয়াম্না হেক হেক খুদম পীদুনা হায়নৈ মণিপুরদসু ত্রিপুরাগীসিগুম্বা লৈঙাক অমা লৈহল্লবদি হায়দুনা। মীয়াম্না ফৈ হায়নবা ত্রিপুরা গভর্ণমেন্ট ফাওবা মতম শাংনা লৈঙাল্লকপদগী অনৌবা অমা পাম্নরকপসিদা মণিপুরদসু পাম্নরকপদা করিসু ঙক্লিংঙাই ওইদে। য়ু পিদা চহী ১০ লেপ্তুনা লৈঙাল্লকপা অখিলেস য়াদবকী লৈঙাক মীয়াম্না হোংদোকপা পাম্নরি।

করিগুম্বা মতমদা মতম শাংনা লৈঙাল্লকপা গভর্ণমেন্ট অমনা মীখল থেংনরকপা মতমদা মশানা তৌখিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পুথোক্তুনা মীয়ামদা ভোট খোম্বদা অৰাবা মায়োক্লরকই। মতম অদুদা মীয়াম্না পামগদবা ৰাফম কয়া পুথোক্তুনা মীখলগী লাল্লোং ওইনা শীজিন্নবা হৌরকই। তশেংনমক্কিদি লৈঙাক অদুনা তৌখিবা থবক অদু পুথোক্তুনা মীয়ামগী পূক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনফম থোকপনি। অদুবু মদু তৌরুবদা মীয়াম্না হেন্না নোক্নগদবা ফীভম লৈবনা মরম ওইদুনা তোকথোক্লে। মণিপুরদা য়েংলবসু ঙসি মাংদা তাদুনা লৈরবা মীখল অসিদা মণিপুরগী ঙমখৈ কায়বা কায়দবা হায়বসিদা মীয়াম পূন্নমক মকোক ঙাওহন্দুনা লৈরি। করি তৌগদবনো হায়বা খনফম খঙদবা, খোয়দৌ শাউগৎহনবগী ফীভমদা লৈরি। মসিদি মমাঙদা পানখিবা গভর্ণমেন্ট অমদি পাল্লিবা গভর্ণমেন্ট অমদি পোলিটিসিয়ন কয়ানা মাঙলমচৎতা তৌখিবা থৌশিল কয়াগী মহয় অমনি। অদুবু ঙসিদি মদু লোয়নমক কাউখ্রে। মণিপুরদা করম্বা পার্টিনা লিশাং শিৎনা লৈঙাকখি অদুগা দিল্লিদসু করম্বা পার্টিনা চহী কয়া লিশাং শিৎনা লৈঙাকখি হায়বদু নীংশিংবা য়াম্না কান্নগনি ঙসি মীখলগী ভোট থাদরমদাই মতমসিদা। মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়বা নৎত্রগা কায়দবগী মতাংদা মীখলগী অচৌবা এজেন্দা অমা ওইনা পুখৎতুনা অমগা অমগা অশোয়বা মওংদা হুন্নদুনা মরাল শীজিন্নবসিদি খরা ফজবা ৰাৎলি হায়নীংই।

মীখল মমাঙদসু ঙমখৈ কায়দনবগী ৰা কয়া ঙাঙখি মীয়াম্না, গভর্ণমেন্টনা। ঙমখৈ কন্নবসু মীয়াম্না, লূপ কয়ানা হোৎনদুনা লাক্লি। গভর্ণমেন্টখক্তনা হোৎনদুনা লাকপা নত্তে। মীয়াম্না থৰায় খুবাক্তা হাপ্তুনা ঙমখৈ কন্নবা হোৎনরমদ্রবদি ঙমখৈ কন্নবগী ৰাফম অসি অরুবা ওইরম্বসু য়াদবা নত্তে। মরম অদুনা ঙমখৈ কন্নবগী ৰাফম অসিদি মীখলগী মতমদা অরুবা ৰাফম ওইনা লৌবসি ফজবা ৰাৎলি হায়নীংই। মীখল মতুংদসু ঙমখৈ কন্নবগী ৰাফম অসিদি অরায়বা ওইরোই। মীয়াম্না চঙশিনগদবা খোঙজং কয়া মাঙদা তাদুনা লৈরি। ঙমখৈ কায়দনবগী ফিরেপ লৌবদি য়াম্না ফৈ অদুবু পার্টি অমনা পার্টি অমদা মরাল শিজিনবগী থবক অসিদি লমদম অসিগী অমদি খুন্নাই অসিগী ওইনা অচুম্বা মায়কৈদা থাংবা খোঙথাং নত্তে হায়নীংই।

# কৈদৌঙৈনো মণিপুরগী ইলেক্সন্দা শেল য়েল্লোইদৌরিসে?





মতম মতমগী ৰাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

***লমদমসিদা*** ঐখোয়না ঙসি ফাওবদা, ইলেক্সনগী থৌদৌশিংদা অওনবা-অহোংবশিং পুরক্লবগীদমক খোঙজং অমা ফাওবা চঙশিল্লুদে। অদুগা, লমদমসিগী ইলেক্সনগী থৌদৌশিংনসু ঐখোয়দা, ঙসি ফাওবদা অওনবা-অহোংবশিং পুরকপা হায়বদু অমুক্তা ফাওবা থেংনরক্ত্রি। অনীমকসিগী মনুংদা অমত্তংদা ওইরবসু, ইকুই-কুইদনা, অতেনবা মতম অমগী মনুংদা ওইথোক্লকপা য়াই হায়বগী থাজবসু ঐখোয়দা ফাওহল্লকপা লৈত্রি। ফীভমসিদা ঐখোয়না ইরমদমসিগী ইলেক্সনদা ভোট থাদনীংবগী অপাম্বশিং পোক্লুফম থোক্লিব্রা? ইলেক্সনগী ৰাহম্থোক্লা লমদমসিদা নোংমা নোংমগী করি ওইরক্লিবা অমসুং লমদমসিগী মীয়াম্না হীরমসিদা নোংমা নোংমগী কয়াম শীংগৎনরক্লিবা হায়বসি সবজেক্ট অমা ওইনা অমুক্তং নৈনবা চঙলক্কদৌরি। থৌদৌশিংসিগীদমক ঐখোয় পাদম ফাওবা থাদুনা ওল্লগা অশেংবা শক্তম অমা পুথোকমিন্ননবা হোৎনফমসু থোকই।

হন্দক্কী মণিপুরগী ইলেক্সনসিদা মথক্তা পনখিবা হীরমশিংসিগী মতাংদা, অমদা নৎত্রবসু অমদা শোয়দনমক্কী, অওনবা-অহোংবশিং পুরকপা য়াই হায়বসি লমদমসিগী মীয়ামগী ৰাখলনি। অদুবু লাইবক থিবদি, পূন্নমক ঙসিদি পুমচাই চাইখ্রে, থমজরম্বা থাজবা খুদিংমক্তু মাঙখ্রে। মহৌশাগুম, হন্দকসু মণিপুরদা পাম্বৈ অমা নৎত্রগা অমনা হেক্তমক, ''ঐখোয়গী পার্টি মণিপুরদা নম্ফুদা কাদবা য়ারোই অমসুং ঐখোয়গী কাঙবুনা লৈঙাক পায়হৌদবা শুকয়া-য়ারোই'' হায়বা ৰাখল্লোনসিদা লমদমসিদা লৈবা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্লা খোঙ থাংজিন্নরক্লি। লমদমসিদা মপাঙ্গল কল্লবা পার্টি অনী, বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস (আই) না অকনবা মওংদা ইলেক্সনগী লাঞ্জংশিং চঙশিন্নরি। অদুবু, মহৌশাগী লাল্লোংশিংদু হন্দকসু হোংবগী থৌদৌদি খক উদে। হোংবা অমসুং হন্থরকপগী মহুত্তা হাপচিন্নরকপা, হেঙ্গৎনরকপগী থৌদৌশিং ঙাক্তা ওইনা উই। ফীভমশিংসিদা, কদাইদনো ঐখোয়না চহী মঙাগী মতুংদা হোংলক্কনি খঞ্জদুনা ঙাইরুবা পোলিটিকেল ষ্ট্রেটেজিশিং? মীয়াম্না অওনবা-অহোংবশিং উবীখিবরা? লমদমসিদা বি জে পি, কোংগ্রেস (আই), অদু-অদা, পার্টি ময়াম অমনা ভোট কাহৌনবা অমসুং লৈঙাক পায়হৌনবখক্কী পান্দমদা চঙশিল্লকপা খোঙথাংশিংনা, য়োংয়াম মমাঙদা চয়োম ফাকপগুম মহৈ-মহৈ, মীয়ামগী ভোট, অঙম্বী থাক্তা, য়ুবী লাকপীগুম লাক্লরিবসিনি। শেলনা মীচম-মীয়ামশিংগী অচুম্বা ৰাখল্লোনশিংবু য়েন্দেম-থরাক শোয়বগুম শোয়থরক্লি। থৌদৌশিংসিদা কমদৌননো লমদমসিদা অচুম্বা অমসুং মরেক-মহাউ থোকপা ইলেক্সন অমগী শক্তমদু অমুক্তং শিদ্রিঙৈদা ইমিৎসিনা উহৌবা ফংজগদৌরিবা? পূন্নমকসু খন্দুনা য়েংবিয়ু।

চহী মঙা কয়া হৌখ্রে, হোংবা খক লৈতে মণিপুরগী পোলিটিক্সকী ষ্টাইল। কৈদৌঙৈ মণিপুরদা ওইথোক্লকপা য়াগনি, শেল য়াওদবা, মীনম-থানমদবা, অমেরিকান ষ্টাইলগী ইলেক্সন অমা হায়বদু? হন্দক্কী ইলেক্সনসিগীদমক নৎত্রা, ইলেক্সন কমিসন ওফ ইন্দিয়ানা, কেন্দিদেটশিংনা ইলেক্সন্দা শেল থাদবা অমদি মনি পৰার তৌবা থিংনবগীদমক, জাৎ-জাৎকী ফোর্মুলাশিং পান্দুনা মখল-মথেলগী য়াথংশিং তাউথরকখিব্রা? ফন-ওইদুনসু, ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মচিন থৌরবা চেকশিন থৌরাং কয়ামুকসিনা লাকঙম-ফাঙমদ্রবা মণিপুরগী কেন্দিদেটশিংবু লাকশিনবা অমসুং ফানা-পূন্নবা ঙম্বগী থৌদৌশিংদি খক উদ্রি। করি অমুক হায়রুগনি, ইলেক্সন লেপ্লিবা কেন্দিদেট খুদিংমক্কী মশা-মশাগী বেঙ্ক একাউন্টদা শেল কয়া য়াম্না লৈবগে অমসুং অতোপ্পা লন-থুমশিং কয়াম লৈরিবা হায়বদু ফাওবা, মীয়াম মাঙদা ফোংনা ফোঙদোকহল্লিবনি লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া মশানা ফাওবা হকথেংননা থিগৎলিবনি। সিদগীসু হেন্দোক্তুনা, মশাগী বেঙ্ক একাউন্টশিংদগী শেল লৌথোকপা ফাওবসু অথিংবা থল্লিবনি। অদুবু, লমদমসিগী কেন্দিদেটশিংনা কমদৌনা য়াল্লবা শেনফমশিংবু লোত্তুনা থল্লিবনো হায়বসি খঙদে। হৌজিক মণিপুরগী মফম খুদিংমক্তা, হন্দক্কী ইলেক্সনসিগী কেন্দিদেটশিংনা ভোট লৈনবগী চাং, ভোটর অমদা লুপা লিশীং অনীদগী হৌরগা অহুম, মরি, মঙা ফাওবা য়ৌহনগদৌরি, ঙাইনরি। মসিরা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী অনৌবা রুলশিংদুগী অমদি চেকশিন-থৌরাংশিংদুগী কান্নবশিং? মণিপুরদদি নোক্লিংদবা ঙমদে। চহী তরামঙা মনম লৈবাক তারক্তনা চীফ মিনিষ্টর ওইরকখিবা মীশক অমদগী, চহী মরামঙা হেন্না চারা হেন্দুনা লৈরুবী, ময়ূম ফাওবা পানদ্রিবী কেন্দিদেট অমনা, ইলেক্সন কম্মিসন্না থিগৎলুবদা শেল পায়বা হেল্লম্মী হায়রিবসিনি। ঙক্লিংঙাই ওইদ্রিবরা? ৰাফমসিসু লৈঙাক্কী অচৌবা, মতিং লৈবা দিপার্টমেন্ট অমনা লৈবাক-মীয়ামদা থল্লকপা, লৈবাক-মীয়ামগী মীৎ-নাকোঙ ওইনবগীদমক পীরকপা পাউজেলনি হায়রিবনি। শর্মিলানা লুপা কয়াদা থৌবালদগী ভোট লৈগদৌরিবগে হায়বসি খঙনীংবা অসুক্কী মতিক পোকই।

পুৰারীগী লৈমায়দগী য়েংলকপদা মণিপুরগী ইলেক্সন, অফবগী মায়কৈরোমদা হোংলকপা অমসুং চঙশিল্লকপা মীয়াম্না খক থেংনরমগনি হায়বা থাজদে। লমদমসিগী কেন্দিদেটশিংনা নোটাদা ভোট থাদনরিবা ভোটর ইচিন-ইনাওশিংগী ৰাখল্লোনসিসু ইশা-ইশাদা পুশিনবীরগা খরদংদা ওইরবসু খন্থবীবা চুম্ব্রা খল্লি। হৌজিক্কী মতমদা ইলেক্সন লেপ্পা, মেজিক তৌবা মেজিকসিয়ন অমগী মতৌগুম পংতৌ-তৌশিন্নবা য়াবা নৎত্রে হায়বা ৰাখল্লোনসি মতমসিগী কেন্দিদেটশিংগী কোক্তা লৈহন্নীংই। মতমসিগী কেন্দিদেটশিংনা নাকল অমরোমদা শেল, নাকল অমরোমদা ভোটর হাপ্পীরগা সের-ফলাগী মরুমশিং খেন্নবগী চাং ওনবীদুনা ভোট লেপ্পগী থৌদৌসি তঙাইফদনা থাদোক্লবগী তাঞ্জাদু য়ৌরক্লে। মীয়ামগী ৰাখল, মীয়ামগী পূক্নিং, লিচীং অমত্তগী মখাদা পাঙদিং মান্নানা চৎমিন্নবগী থৌদৌসু লমদমসিদা খরা মখৈদি শোয়দনা উবা ফংলক্লগনি হায়বা ৰাফম থম্নিংই। মণিপুরগী অপূনবা মীচম মীয়ামশিংবু শুপ্নগী ইলেক্সন ময়াদা খক্তা নীংশিংবীরকপা অমসুং ভেল্যু পীরকপগী থৌদৌসি, লমদমসিগী ইলেক্সনদা মীরেপ ওইবীরিবশিংগী অথেনবা অমসুং অনেম্বা ৰাখল্লোনশিং ওইগনি। মীয়াম্না ঈশিং ওইরগা কেন্দিদেটশিংনা ঙা ওইদুনা, কেন্দিদেটশিংনা মীয়ামগী মপান তাংদুনা চথবা ইলেক্সননি হায়বসি পূন্নমক্লা ৰাখল তানরবনি। ফীভমসিদা মণিপুর পূম্বগী কেন্দিদেটশিং ৰাফমসি অমুক নৌহৌনা নীংশিংনরুবগী মথৌ তারিবরা? ঙসি ঙসিমক ওইরিবা লমদমসিগী পোলিটিসিয়নশিংগী থৌদৌশিং, মণিপুরগী মীচম মীয়ামশিংগী মিৎয়েংদা খজিক-খরাক চুশিন্নবা ৰাৎপগী থৌদৌ অমদি ইরৈ-লৈবগুম তৌরি। করম্বা মতমদনো মণিপুরগী পোলিটিসিয়ন খুদিংমক্লা মীয়ামগী ইহুল খঙনা অমুক্তং চৎলক্কদৌরিবসে?

কৈদৌঙৈনো লমদমসিগী ভোটরশিংনা ইলেক্সন্দা শেল লৌদনা ভোট থাদরক্কদৌরিসে? কৈদৌঙৈনো লমদমসিগী কেন্দিদেটশিংনা ইলেক্সন্দা মায় পাক্লবগীদমক, শেলনা ভোট লৈরক্লোইদৌরিসে? লমদমসিগী মীচম মীয়ামশিং অমসুং ইলেক্সনগী কেন্দিদেটশিং পূন্নমক্লা পূন্না, ইলেক্সনগীদমক খোংগুন অমুক্তং তামিন্নরক্কদৌরিবা নুমিৎতু করম্বা চহীগী করম্বা থাবান্দা ওইরক্কদগে? চহী মঙা হৌখিনি, হন্দক্তি শোয়দনা করিগুম্বা খরদি ওল্লক-হোংলকপা শোয়ররোই খল্লুনি, হামু-হামু হান্নগী হান্না অদুমক, অওনবা-অহোংবা হায়বদু মশক খঙদনা লোইখিনি। লমদমসিগী ইলেক্সন্না লমদমসিগী চাওখৎ থৌরাংগা মরী শম্নরক্ত্রবা, ভোটনা মীয়ামদা লৈঙাক শেম্বা ওইনা উহল্লক্ত্রবা, শুপ্নগী শেল্লাক লম্বেল অমদি থক্তোক-চাথোকহৌনবগী তাঞ্জা অমখক ওইনা লৌনরক্লবদি, কদোমদনো লমদমসিগী লৈঙাক্লা মরন্নাই মনীং-তম্না, খোঙ থাংখিগদৌরিসে? মদুনা ওইহল্লকপা ঙমগদৌরিবরা, ... মালেমগী চাওখৎ-লমজেলসিদা ইরমদমসিগী অহানবা খোঙথাং হায়বদু?